# সারলোরলুক্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সুভানকর দে অমসুং ইংলেন্দগী রাজিব ওসেফ ফাইনেলদা থেংনরগনি



সারলান্ধালে, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সী) ঃ
জর্মনিগী সিটি সারলানধালেদা পাঙথোকপা য়ূ এস দোলর ৭৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা শান্নরোয় সুভানকর দেনা ফাইনেলদা ইংলেন্দগী শান্নরোয় রাজিব ওসেফকা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিদা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবা ৱর্ল্ড নম্বর ৬৪ ইন্দিয়াগী সুভানকর দেনা চাইনাগী শান্নরোয় রেন পেংবোগা লম্বা তৌনরকপদা গেম ২-১দা মায় পাকখি।

শান্নরোয় অনীনা অহানবা গেম অদুদা অকনবা লম্বা তৌনরকখি। পোইন্ট ইন্নদুনা লাকখিবা অদু চাইনাগী শান্নরোয় রেন পেংবোনা পোইন্ট ১৮ য়ৌরকপদা ইন্দিয়াগী সুভানকর দেনা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী অহানবা গেম অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা থোইখি।

অনীশুবা গেমদা চাইনাগী শান্নরোয় অদুনা হৌবদগী ইন্দিয়াগী সুভানকর দেবু লাকশিনবা ঙমদুনা পোইন্ট য়াম্না খেন্ননা মাঙজিল থাবা ঙমখি। গেম অদু রেন পেংবোনা ২১-১১দা থোইদুনা শান্নরোয় অনীমক সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা গেম অমমম থোইনদুনা লম্বা মান্নখি।

অনীশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদু মমাঙগী গেম অনীদগী য়াম্না হেন্না নক্ক না পোইন্ট লৌননবা শান্নরোয় অনীমক্কা হোৎনরকখি। অমনা অমবু পোইন্ট মশীং য়াম্না মাঙজিল থাবা ঙম্ম দনা পোইন্ট মান্নদুনা অদুমক লাকখিবা মরম্না মশান্না অদুগী পোইন্ট ২১ য়ৌবদা মায় পাক্কদবা অদু শান্নরোয় অনীমক পোইন্ট ২০-২০ লৈনবদগী মখা তানা লম্বা তৌখি। কন্না হোৎনরবসু মতুং সুভানকর দেনা চাইনাগী রেন পেংবোবু পোইন্ট ২৪-২২দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী সুভানকর দেনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দদা নম্বর ৱান সীদেদ ওইখিবা চাইনাগী মমিং লৈরবা ওলিম্পিক অমসুং ৱর্ল্ড টাইটল ফংবা ঙমখিবা লিন দানবু ২২-২০, ২১-১৯দা থোইরম্বনি। মদুগী মখা তারকপা ক্বার্টর ফাইনেলদা সুভানকরনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সীদেদ শান্নরোয় ইংলেন্দগী টোম পেন্টিবু ২১-১৬, ২১-৯দা য়াম্না কোম্না থোইরম্বনি।

সুভানকর দেনা ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা অদু টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সীদেদ ওইরিবা ইংলেন্দগী রজিব ওসেফনি। রজিব ওসেফনা ঙরাং শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা ফ্রান্সকী শান্নরোয় টোমা জুনিয়র পোপোবপু গেম ২-১দা থোইখি।

অহানবা গেম রজিবনা য়াম্না কোম্না ২১-৮দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেমদা পোপোবনা য়াম্না ৱানা হোৎনরগা ২১-১৯দা থোইদুনা সেমী ফাইনেল অদু দিসাইদিং গেমদা পুরকখি। অহুমশুবা অমদি অরোইবা গেম অদুদা মায়কৈ অনীদগী অকনবা লম্বা তৌনখি। লোইশিল্লকপদা রজিব ওসেফনা ফ্রান্সকী টোমা জুনিয়র পোপোবপু ২১-১৯দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।

পনবা য়াই, ওসেফনা মহাক্কী সেমী ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বেলদা খ্বাইদগী লম্বা কন্না তৌনখিবা অদু অনীশুবা অমদি অহুমশুবা রাউন্দনি। অনীশুবা রাউন্দদা কনাদাগী জে হো সুবু ১৮-২১, ২১-১০, ২১-১৯দা থোইখি। মদুগী মতুং অহুমশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী লো কে ৱাইবু ২১-১১, ১৮-২১, ২১-১০দা থোইরবা মতুং ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সীদেদ নেদরলেন্দসকী এম কালজোবু ইৱা ৱাদনা ২১-১২, ২১-১৭তা থোইখি।

# রসিয়াগী কারেন খসানোবনা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচ মায়থীবা পীদুনা পেরিস মাষ্টরস টেনিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে

পেরিস, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সী) ঃ
ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা পাঙথোকপা রোলেক্স পেরিস মাষ্টরস টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮গী নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু রসিয়াগী কারেন খসানোবনা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচপু মায়থীবা পীদুনা লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা অনীশুবা সীদেদ ওইরিবা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচপু রসিয়াগী নহা ওইরিবা কারেন খসানোবনা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭-৫, ৬-৪দা থোইরম্বনি।

পনবা য়াই, কারেন খসানোব টুর্নামেন্ট অসিদা সীদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবনি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা মরিশুবা সীদেদ শান্নরোয় জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরপপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-১, ৬-২দা মায়থীবা পীরমখি। মদুগী মতুং সেমী ফাইনেলদা তরুকশুবা সীদেদ শান্নরোয় ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম ৬-৪, ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।



নাকল অমরোমদা, ঙসি খসানোবকা ফাইনেলদা লম্বা তৌখিবা সর্বিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সীদেদ ওইরিবা নোভাক জোকোভিচনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ক্রোসিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা সীদেদ মারিন সিলিক্কা লম্বা তৌনবদা ৪-৬, ৬-২, ৬-৩দা থোইরমখি। মদুগী মতুং সেমী ফাইনেলদা নোভাক জোকোভিচকী মতম কুইনদগী লম্বা ওইদুনা লাক্লবা অহুমশুবা সীদেদ শান্নরোয় স্বিজরলেন্দগী রোজর রেফদররগা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনখি।

অহানবা সেট অদু টাই ব্রেক শান্নখি। টাই ব্রেক অদুদা জোকোভিচনা শুপ্নগী পোইন্ট অনীখক হেল্লগা ৮-৬তা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা রোজর ফেদররনা অমুক ফজবা হেল্লকপদগী গেম ৫-৫ মান্নদুনা লৈরম্বদগী থংনবা গেম অনী থোইদুনা ৭-৫দা অনীশুবা সেট অদু থোইরগা দিসাইদিং সেটকীদমক শেম শানখি।

দিসাইদিং সেট অদুসু শান্নরোয় অনী অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্মখিদে। গেম ৬/৬ মান্নরকপদগী টাই ব্রেক অমুক হন্না শান্নখি। মদুদা সার্ভিস ফজবা হেনখিবা নোভাক জোকোভিচনা পোইন্ট ৭-৩দা থোইদুনা সেমী ফাইনেল অদু মায় পাকখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট খসানোব অমসুং নোভাক জোকোভিচ লম্বা মান্নখি। গেম ১০ ফাওবা গেম ৫-৫দা মান্নদুনা লৈরকপদগী মখা তানা গেম অনী অদু খসানোবনা মহাক মশামক্কী সার্ভিস হোল্ড তৌবা ঙমখিবা অমদি নোভাক জোকোভিচকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৭-৫দা থোইদুনা ফাইনেল অদুদা সেট ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা রসিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় কারেন খসানোবনা নোভাক জোকোভিচকী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌবা ঙমদুনা গেম অমা মাঙজিল থারগা লৈখি। মহাক্কী মায়কৈদগী চত্থখিবা সার্ভিস গেমশিং অদু অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা মখা তানা মায় পাকপা ঙমখিবদগী অনীশুবা সেট অদু ৬-৪দা থোইদুনা রোলেক্স পেরিস মাষ্টরস টেনিস টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল রসিয়াগী খসানোবনা লৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী এ টি পি রেঙ্কিংদা টুর্নামেন্ট অসিগী হৌরকপদা স্পেনগী হান্না ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বা রফেল নদালদগী পোইন্ট খরতমক হন্থরগা লৈরিবা নোভাক জোকোভিচনা টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিল্লকপদা কনানা নম্বর ৱান ওইগদগে হায়বদু লেপ্পগদবা ওইখি। অদুবু রফেল নদালনা টুর্নামেন্ট অসিদগী শোকপনা মরম ওইদুনা ৱিথদ্রো তৌখিবা অমদি নোভাক জোকোভিচনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মায় পাকপদগী হৌজিক নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱানগী পোজিসন অদু সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা ওইবা ঙমখি।

# ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু অহানবা টি-২০ মেচ ৱিকেট ৫দা থোইখ্রে



কোলকটা, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সী) ঃ
ঙসি কোলকটাদা লৈবা ইদেন গার্দেন্স ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা শান্নবা অহানবা টি-২০ মেচ ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৫দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেনশিংগী মায়কৈদগী পার্ফোমেন্স ফজবা ঙমখিদে। টিম অদুগী মকোক থোংবা বেটসমেন রন য়াম্না লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি।

টিম অদুগী ৱিকেট ৬ আউট ওইবা ফাওবদা স্কোর বোর্দতা রন ৫৬ খক লৌখি। মখা তানা চঙলকখিবা বেটসমেন অনীসু রন ২ খক লৌদুনা আউট ওইখিবদগী ১৮শুবা ওভরদা মখোয়গী বেটসমেন ৮ আউট ওইরগা রন ৮৭ খক লৈখি। লেমহৌবা ওভর ২দা ৱেষ্ট ইন্দিজনা মখোয়গী স্কোর অদু ১০৯ ফাওবা লৌরম্লগা ইন্নিংস অদু লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোলর কুলদিপ য়াদবনা য়াম্না ফজবা মওংদা ওভর ৪ লৌবদা রন ১৩খক পীরগা বেটসমেন অহুম আউট তাহনখি।

ঙসি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোলিং তৌখিবা অতোপ্পা বোলর ৪ উমেস য়াদব, খলিল অহম্মদ, জসপ্রিট বুমরহা অমসুং কুরনল পন্দিয়া ৱিকেট ১/১ লোইনা লৌবা ঙমখি।

মেচ অদু মায় পাক্লনবা অপীবা ওভর ২০দা রন ১১০গী টার্গেট লৈখিবা ইন্দিয়াগী টিমসু ইন্নিংস হৌরকপদা ফজবা ঙমখিদে। অহুমশুবা ওভরদা ইন্দিয়াগী ওপনর অনীমক আউট ওইখি।

কেপ্তেন রোহিট শর্ম্মা রন ৬ অমসুং সিখর ধৱন রন ৩ খক লৌরমখি। লোকেস রাহুলনা ওপনর অনীনা আউট ওইখিবদা লৈখিবা রন ১৬ অদুগী মখা তারকপদা রিসব পন্টকা পার্টনরসিপ অমা শেম্নবা হোৎনরকখি। অদুবু মখোয় অনীনা রন ১৯ হাপচিল্লগা লৈরিঙৈদা রিসব পন্ট রন ১দা আউট ওইখি।

মনিস পান্দে শান্নবা চঙলকখি। মহাক চঙলকখিবগা ইকান কান্নদনা লোকেস রাহুল রন ১৬তা আউট ওইখি। ইন্দিয়াগী অপূনবা স্কোর ৮৩ শুরকপদা মনিস পান্দে রন ১৯ লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী দিনেস কার্টিক অমসুং ক্রুনল পন্দিয়ানা মখা তারকপা ইন্নিংস শান্নরকপদা আউট ওইদনা ১৮শুবা ওভরকী ৫শুবা বোলদা মায় পাকপগী রন ১১০ অদু য়ৌহন্দুনা ৱেষ্ট ইন্দিজপু ৱিকেট ৫দা থোইখিবনি।

কার্টিক বোল ৩৪ মায়োক্লবদা ইন্নিংস অদুগী অমত্তা ঙাইরবা সিক্স অমা য়ৈবা ঙম্বদা নত্তনা ফোর ৩সু লৌরমখি। অমরোমদা কুরনল পান্দে শুপ্নগী বোল ৯ মায়োক্লবদা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২১ লৌদুনা আউট ওইদনা লৈখি।

# খৌপুম ফুটবোল ক্লবতা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস) ঃ
সিভিল মেলিটরি এক্সনগী মখা তারকপা খোঙথাং ওইনা রেদ সিল দিভিজনগী লোক্তাক বৃগেটকী লমজিং মখাদা হৌজিক হৌজিক ইম্ফালগী থাংমৈবন্দ এথলেটিক য়ুনিয়নগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়ারিবা খৌপুম বট্টালিয়ন্না ঙসি খৌপুম ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয়শিংদা ফুটবোলগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

পোৎলম য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা খৌপুম ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয় ১৮ অমসুং ওফিসল ৫ শরুক য়াখি। ক্লব অসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অসিনা থৱায় হকচাং য়াওনা হৌখিবা মতম খরদগী জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অসিদা মমিং পুরকপা ঙম্নবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

# রঞ্জি ত্রোফি ক্রিকেট প্লেট গ্রুপ্তা সিক্কিমনা মণিপুরবু ইন্নিংস অমগা রন ২৭তা থোইখ্রে

কোলকটা, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সী) ঃ
রঞ্জি ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী প্লেট গ্রুপকী মেচ অমদা ঙরাং মণিপুরগী ক্রিকেট টিম্বু সিক্কিমগী টিম্না ইন্নিংস অমগা রন ২৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

পনবা য়াই, সিক্কিমগী টিম অসি মমাঙদা পাঙথোকখিবা বিজয় হজারে ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা শান্নখিবা মেচ ৮মক মায়থীবা নংখিবনি। মদুদা মণিপুরনা মখোয়বুসু থোইরমখি। অদুবু ঙরাংগী মেচ অদুদা সিক্কিমগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা মণিপুরবু মখোয়না ইন্নিংস অমগা রন ২৭তা থোইদুনা পোইন্ট ৭ ফংখিবগা লোয়ননা মেচ অদু মখোয়না নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা মায় পাকখিবগীদমক বোনস পোইন্ট অমসু ফংখি।

সিক্কিমনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা রন ৩৭২ লৌবা ঙমখি। মদুগী মখা তারকপদা মণিপুরনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা শুপ্নগী রন ৭৯ লৌদুনা মখোয়বু ফোলো ওন তৌহন্দুনা অনীশুবা ইন্নিংস অদু শান্নহনখি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা কেপ্তেন য়াসপাল সিংহগী রন ১৩২ অমসুং লখন রাৱটকী রন ৭০ উপাই লৈখিদে। মখোয় অনীনা রন ১১২গী অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরসিপ অমা শেমদুনা সিক্কিমগী বোলরশিং অদুবু ৱানা ঙাইহনখি। অদুবু রন ৭০দা লখন রাৱট সিক্কিমগী বোলর পদম লিম্বুনা আউট তাহনখিবদগী মখা তারকপা মণিপুরগী বেটসমেনশিং মরী মরী আউট ওইদুনা রন ২৬৬তা ইন্নিংস অদু লোইশিনখি।

সিক্কিমগী মায়কৈদগী বোলর বিপুল শর্ম্মানা রন ৫৫ পীরগা মণিপুরগী বেটসমেন ৪ আউট তাহনখিবা অমদি টিম অদুমক্কী অতোপ্পা বোলর ঈশ্বর চৌধুরিনা রন ৫২ পীরগা বেটসমেন অহুম আউট তাহনখিবা অদুনা মণিপুরগী ইন্নিংস অদু ঙন্না লোইশিলহনখিবনি।

নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা মেচ অদু মায় পাকপা ঙমখিবগীদমক সিক্কিমনা পোইন্ট ৬ ফংবগা লোয়ননা বোনস অমগা হাপচিল্লগা পূন্না পোইন্ট ৭ ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং ধেরাদুন্দা শান্নখিবা মেচ অমদা বিহারবু উত্তরখণ্ডনা ৱিকেট ১০দা থোইদুনা মখোয়সু পোইন্ট ৭ ফংখি।

মেচ অদুগী অহানবা ইন্নিংস বিহারনা শান্নরকপদা শুপ্নগী রন ৬০ খক লৌখি। মদুগী পাউখুমদা উত্তরখণ্ডনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসতা রন ২২২ লৌদুনা বিহারদগী রন ১৬৭ হেন্দুনা লৈখি।

বিহারনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা রন ১৬৯ খক লৌবা ঙমখিবদগী উত্তরখণ্ডনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংসতা রন ৩ লৌরগা মায় পাকপগী টার্গেট অদু লৈখি। উত্তরখণ্ডনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস অদু বেটসমেন অমত্তা আউট ওইদনা রন ৪ লৌখিবদগী মেচ অদু মখোয়না বিহারবু ৱিকেট ১০দা থোইখি।

শিলোংদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদনা মেঘালয়ানা অরুনাচল প্রদেশপু ৱিকেট ৭তা থোইবা ঙমখি। হান্না বেট্টিং তৌদুনা অরুনাচল প্রদেশনা শান্নরকপদা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদুদা রন ১৬৬ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা মেঘালয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদুদা রন ১৬১ লৌবা ঙমখি।

অরুনাচল প্রদেশকী অনীশুবা ইন্নিংস অদু রন ১৩১ লৌদুনা মেঘালয়ানা মেচ অদু মায় পাক্লনবা রন ১৫৭কী টার্গেট লৈখি। টিম অদুগী বেটসমেনশিংনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বেটসমেন অহুমখক আউট ওইরগা রন ১৫৭ লৌদুনা মখোয়না মেচ অদু ৱিকেট ৭তা থোইরগা পোইন্ট ৬ ফংবা ঙমখি।

মেঘালয়াগী বেটসমেন পুনিট বিটসনা রন ৬৬ অদুগা য়োগেস নগরনা আউট ওইদনা রন ৫৫ লৌবা ঙমখিবনি।

ঙরাং দিমাপুরদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা নাগালেন্দনা মিজোরামবু ইন্নিংস অমগা রন ৩৩৩দা থোইখি। মেচ অদুগী অহানবা বেট্টিং নাগালেন্দনা তৌখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৫৩০দা ইন্নিংস অদু দিক্লর তৌখি। মদুগী পাউখুমদা মিজোরামগী অহানবা ইন্নিংস রন ১০৬ খক লৌখি। মদুগী মতুং মখোয়গী ইন্নিংস অদু মখা তানা শান্নরকপদা রন ৯১ খক লৌবা ঙমখিবদগী মেচ অদু নাগালেন্দনা ইন্নিংস অমগা রন ৩৩৩দা থোইবা ঙমখি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮২

১। মহাক অতোপ্পা লৈবাক অমগী মমিংদা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংখি। চহী খরগী মতুংদা মহাক্কী পোক্লফম মমা লৈবাক্তা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপদা মহাক্না ওলিম্পিক্কী মৈরা পায়দুনা গেমস হৌদোকপা নুমিত্তা ষ্টেদিয়মগী ত্রেক্তা লমজেল চেনখি। মহাক কনানো ?

২। অহানবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমসতা মেঘালয়াসু শরুক য়াখি। মদুদা ষ্টেট অদুগী চিফ-দি-মিসন ওইখিবা মীওইদুগী মমিং পীয়ু।

৩। ইম্ফালদা হৌখিবা চহী ১৬ অসিদা লমদম অসিগী খ্বাইদগী চাউবা লমজেল 'মেগা মরাথোন' পাঙথোকই। মরাথোন অদুদা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিংসু শরুক য়াখি। মরাথোন অদুদা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনল মরাথোন্দা শরুক য়ারুবা লমজেল্লোয় অদু কনানো ?

৪। "ষ্টেটশিংগী মীওইশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবদা মতেং ওইগনি। শান্নবগী লম্দা অপূনবা শক্তম অমা লৈনবগীদমক গেমস অসি মখা তারকপা চহীশিংদা পাঙথোকপগী মথৌ তাই।" ৱাহৈশিং অসি হায়খিবা মীওই অদুগী মমিং পীয়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এসলি বার্টিনা দব্লিয়ু টি এ এলিট ত্রোফি লৌখ্রে



ঝুহাই, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সী) ঃ
চাইনাগী সিটি ঝুহাইদা পাঙথোকপা দব্লিয়ু টি এ এলিট ত্রোফি টেনিস টুর্নামেন্টকী টাইটল অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় এসলি বার্টিনা চাইনাগী নৌনা মমিং লৈরক্লিবী শান্নরোয় ৱাং কিয়াংবু ঙসি ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

চহী ২২দা ঙাইরিবী এসলি বার্টিনা সেমী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়ন জুলিয়া জোর্জেসপু মায়থীবা পীরম্বনি। অদুগা ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুদা চাইনাগী ৱাং কিয়াংগা লম্বা তৌনরকপনি। ৱাং কিয়াংনা মহাক্কী সেমী ফাইনেলদা স্পেনগী শান্নরোয় গার্বিন মুগুরুজাবু থোইরম্বনি।

অহানবা সেট অদুদা এসলি বার্টিনা ৱাং কিয়াংগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা খুদোংচাবা হেনখি। মহাক্কী সার্ভিস গেম অশোয় অঙাম য়াওখিদবদগী ৬-৩দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা চাইনাগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী ফজবা হেনগৎলকখি। গেম ২/২ ফাওবা মান্নদুনা লৈরম্বদগী ৱাং কিয়াংনা গেম ৪-৩দা মাঙজিল থাখি। অদুবু মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা মতাং চানা বার্টিনা ব্রেক তৌখিবগা লোয়ননা অনীশুবা সেট অদু ৬-৪দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

# ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা পোইন্ট মাঙজিল থাদুনা চংলি

লন্দন, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সী) ঃ
ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দ অমদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা সাউথমটনবু পাঞ্জল ৬-১দা থোইখিবগা লোয়ননা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মখোয়না মকোক ওইদুনা চৎপা ঙম্লি।

মখোয়না ঙসি য়ূম্বু ওইদুনা সাউথমটনগা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ৪-১ মাঙজিল থাবা ঙমখি। তরুকশুবা মিনটতা সাউথমটনগী দব্লিয়ু হোটনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জলনা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী একাউন্ট হাংদোকখি। ১২শুবা মিনটতা সিটিগী সর্জিও এগুইরোনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিনবা ঙমখি।

ইকুই কুইদনা ১৮শুবা মিনটতা টিমমেট দেবিদ সিলভানা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা ৩-০দা মখা তানা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফ অদুগী পুঙ্খায় চঙশিল্লকপদা সাউথমটনগী মায়কৈদগী দি ইংসনা পেনালটিগী মতেং অমনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। হাফ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ্তা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী রহিম ষ্টরলিংনা মরিশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা হাফ অদু লোইশিনখি।



সাউথমটনগী শান্নরোয়শিং মখা তাবা অনীশুবা হাফ অদুদা ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈরিঙৈ ৬৭শুবা মিনটতা রহিম ষ্টরলিংনা মহাক্কী অনীশুবা অদুগা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী ৫শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

মেচকী অরোইবা পুংজাদা মখা তানা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী এটেক অমদা এল সেননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ঙসিগী ১১শুবা রাউন্দগী মেচ অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা সাউথমটনবু ৬-১দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ২৯ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা টোটেনহাম হোটসপর অমসুং ৱালবর হেমটন ৱান্দরস লম্বা তৌনখি। মদুদা টোটেনহাম হোটসপরনা পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা ১১শুবা রাউন্দ অদুদা মখোয় পোইন্ট ২৪ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা ১১শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা লীগ টেবল অসিগী পোইন্ট মাঙজিল থারম্বা লিবরপুল ফুটবোল ক্লব অমসুং অর্সনেল ফুটবোল ক্লব পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখিবদগী লিবরপুল পোইন্ট ২৭তা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি। অদুগা অর্সনেলনা পোইন্ট ২৩ ফংলগা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈরি। ঙসি অথেংবদা চেলসি অমসুং খৃষ্টেল পেলেস শান্নগনি। চেলসি মায় পাক্লবদি লীগ টেবলগী মকোক্তা লৈগদৌরি।